HŨEIYEN LANPAO

মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল টাইমসকী ষ্টাফ রিপোর্টর লাইরেঞ্জম বিজেননা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা ঙরাং রিমসতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা আই পি আরগী থৌরমসু পুরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী চেরোল অমদা লৈখিদ্রবা এল বিজেন শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তগী এল মুহিন্দ্রোগী মচানুপানি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী লৈহৌরি হায়রি।

মহাক লৈখিদবা অসিগী অহাঙবা মেনশিনবা ৱারগনি হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী মীদিয়া ফ্রেটর্নিটিগী মাঙজবা অমনি হায়রি। লোয়ননা মিনিষ্টরনা মহাক্কী অৱাবা মায়োক্লহৌরিবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাংশিংদসু অৱাবগী পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

পোষ্ট ১২৫ মেনশিনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরিএট : ৱার্টর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ঙরাং অন্দর সেক্রেটরি (দব্লিয়ু আর) না থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ১৫গী অহাঙবা ফম ১২৫ মেনশিন্নবা নমথোক্লবা ফোর্মদা পোষ্টশিং অসিবু পাম্বা মীওইশিংদগী এপ্লিকেসন লৌশিনগদৌরি। এপ্লিকেসনশিং অসি এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জশিংনা মথং থাগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা রিকুইজিসন তৌরক্কদবনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না লৌগদবা ফম অমসুং পোষ্ট মশীংনা সেক্সন ওফিসর (গ্রেদ টু-সিভিল)-২, সেক্সন ওফিসর (গ্রেদ টু-মেকানিকেল) -১, সর্ভেয়র -২২, দ্রাফ্টসমেন গ্রেদ টু-৩, দ্রাফ্টসমেন গ্রেদ-২ (ত্রেসর)-২৩, এল দি সী-১৯, ষ্টেনোগ্রাফর (গ্রেদ-থ্রী) - ৯, দ্রাইভর-৭, গেজ রিদর-৪, রোদ মোহোররির-২, চৌকিদার -১০, খলাসি -৭, পিওন-৯ অমসুং স্বিপর ২নি হায়রি।

ইঙেল কুম খাইবা...

লামায় ১গী মখা... থৌরম অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা অঙোম নিংথৌ, অঙোম অমুবী অমদি ফম্নাইবা, অমাইবা-অমাইবী, পেনা খরনা ইনিংথৌগীদমক সনা কোনুংদা ইবুধৌ পাখংবদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

থৌরম অসিনা কুম অসি লোইরে, অনৌবা কুম অমা হৌরগনি হায়দুনা ইঙা কুমদম্বা ইঙেল কুম খাইবা হায়রগসু খঙনৈ। ইবুধৌদা থৌনিজ দুনা কুম অসিদা লোইমোন ফৌ ফৌবান চাওবা, মতিন মকাং তাদবা, কাওরেল ষণ লাই তাদবা, নমু পোং মীরাই তাদবা পীনবীয়ু হায়দুনা থৌনিজ খি। মৈনা ৱাই তাংনা শম থৌরম অসি ইঙেল থানিল নুমিৎতা পথাং পুথাং নাইনা তৎতনা পাঙথোরক্লিবা থৌরমনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.592962
US Dollar	74.417232
British Pound	102.296206
Australian Dollar	54.805610
Chinese Yuan Renminbi	11.482561
Japanese Yen	0.673158
Malaysian Ringgit	17.603671
Singapore Dollar	54.689015
South Korean Won	0.064622
Saudi Arabian Riyal	19.844595
Thai Baht	2.258664

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47308.00
Mumbai	–	Rs	47640.00
Delhi	–	Rs	47512.00
Kolkata	–	Rs	47880.00

GAS NEWS

M/S R & H Indane Service Irilbung
Only Home Dellivery
Booking Upto14/05/2021
Valid from 06/05/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:17-07-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30.
Those who haven't received send to whatsApp no. 9863624773 their form no1.
also available 19kg and 5kg.
Please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encouraged online payment.

KHUMBONG INDANE
Booking upto 02-07-21
Valid from 30-06-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621 9612023095
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

রিচুএল ফেষ্টিবেল ওফ ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচএনএস):

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন দা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা এসোসিএসন ফোর হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর ইন্দিয়া (এ ঐচ পি আই), মণিপুর চেপ্টর, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর, থিএটর সেন্টর মণিপুর, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল, ফিল্ম ফোরম মণিপুর, ওল মণিপুর আর্টিষ্ট রিলিফ কম্মিটি অমদি ওল মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কা পূন্না খুৎশম্নদুনা রিচুএল ফেষ্টিবেল ওফ ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম অসিদা হীদাক কাপ্পা লাকখিবা মীওই খুদিংমকপু তেক্তা কায়দবা, নাদ-য়েক্তবা ওইসনু হায়বা ৱাখল্লোন্দা লাইনীং-লাইশোন পাঙথোক্তুনা মৈ ঈরাৎতুনা থৌনিখি। ওল মণিপুর আর্টিষ্ট রিলিফ কম্মিটিগী কনভিনর রঞ্জিৎ নিংথৌজানা ইখিবা কৈদৌবগী কিদোইনো হায়বা কোভিদ-১৯ এৱ্যোর্নেসতা য়ূম্ফম ওইদুনা পুথোকখিবা শুমাং লীলা অদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এ ঐচ পি আইগী পসিদেন্ট ডা. কে ঐচ পালিননা কোভিদ এপ্রোপিএট বিহেবিয়র ঙাকপগা লোয়ননা শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। নুমিৎ নীনি অসিদা মীওই ১৫০০ রোম ভেক্সিন কাপ্পবা পান্দম থল্লি। করিগুম্বা মী য়াম্না লাকপা তারগদি মখা তানা ভেক্সিন কাপ্পবগী থৌরাং তৌজরি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি ঙসি অমসুং হয়েং নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্কনি।

মণিপুরদা লৈরিবা মখল খুদিংগী আর্টিষ্টশিংগা লোয়ননা ফেমিলি অমদি অতোপ্পা ভেক্সিন কাপহৌদবশিংসু শরুক য়াবীয়ু হায়দুনা অপীল তৌখি। ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংদা ভেক্সিনেসন সর্টিফিকেটসু ফংহনগনি হায়রি।

ক্লাস ত্বেলভকী রিজল্ট লাউথোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... মহৈ লোয়শঙশিংদগী ফংখিবা অপূনবা মহৈরোয় ৩১,১৩৬নি। মসিগী মনুংদা মহৈরোয় ৬২গী রিজল্ট ৱিথ হেল্ডদা থম্লগা লেমহৌরিবা মহৈরোয় ৩১,০৭৪গী রিজল্ট লাউথোক্তুনা প্রমোসন পীরে। মসিগী রিজল্ট www.manresults.nic.in দগী ফংগনি হায়খি।

মহৈরোয় ৫৯না সবজেক্ট ইমপ্রুভমেন্ট এগজামিনেসনগীদমক ঙাইদুনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা মহৈরোয় ৯৭২গী এপ্লিকেসনশিং কাউন্সিলদা সবমিট তৌরক্কদবা ৱাৎলি। অসিগুম্বা এপ্লিকেসন সবমিট তৌগদবা ৱাৎলিবা মহৈরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা কাউন্সিলনা থোকখিবা নোটিফিকেসনগী মতুংইন্না মখোয়গী এপ্লিকেসন ফোর্মশিং সবমিট তৌগদবনি হায়রি।

ঙসি লাউথোকখিবা রিজল্ট অসিগী মতুংইন্না মহৈরোয় ১৬,৩৯৫না ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরে। সেকেন্দ দিভিজন্দনা মহৈরোয় ১৩,১০০ পাস তৌরগা থর্দ দিভিজন্দনা মহৈরোয় ১,৫৫৭ পাস তৌখি অদুগা মহৈরোয় ২২না সিম্পল পাসতা পাস তৌখি হায়রি।

মহৈরোয়শিংগী দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা পাস তৌবগী পর্সেন্টেজনা বিষ্ণুপুর, কামজোং, ফেরজোল, উখ্রুল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা চাদা ১০০নি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা হন্দক্কী এগজামিনেসন অসিগীদমক্তা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মহৈরোয় ১১,০৮২ রেজিষ্টর তৌখি অদুগা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী মশীং য়ামদনা মহৈরোয় ৪খক্তমক রেজিষ্ট্রেসন তৌখি হায়রি।

অপূনবগী ওইনা আর্টস, সাইন্স অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা পাস তৌবগী পর্সেন্টেজনা চাদা ৯৯.৮০নি। মসিগী মনুংদা আর্টস ষ্ট্রিমদগী মহৈরোয় ৯,০৬১, সাইন্স ষ্ট্রিমদগী ২১,৩৮৭ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদগী মহৈরোয় ৭৪৭নি। অপূনবা সবজেক্ট অহুমসিগী মহৈরোয় ৩১,১৯৫না এগজামিনেসন অসিগীদমক এনরোল তৌরকখি অদুগা লাউথোক্লিবা এগজামিনেসন রিজল্ট অসিদা শরুক য়াখিবনা মহৈরোয় ৩১,১৩৬নি। মখোয়গী মনুংদা মহৈরোয় ৩১,০৭৪ প্রমোসন পীরে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

বাবুপড়াদা লৈবা কোসেমগী কনফরেন্স হোলদা এগজামিনেসন অসিগী রিজল্ট লাউথোক্লদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, পেন্দমিককী মতম অসিদা কোসেমনা এগজামিনেসন অসিগী রিজল্ট লাউথোকপা অসি ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন সেক্টরদা অফবা খুদম অমনি হায়রদুনা মিনিষ্টরনা মসিগীদমক এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, কোসেম, এদ্যুকেসন কম্মিস্নর, দিরেক্টর অমসুং এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লিং ওফিসরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা সী বি এস ঈগী রিজল্ট লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ১০+২ এগজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকপা ঙম্লিবসি গভর্ণমেন্ট অসিগী অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী অচৌবা মায় পাকপনি। এগজামিনেসন অসিগী মার্কিং মোদেলিটিশিং অদু রিছোর্স পর্সনশিং অমসুং এদ্যুকেসন এক্সপর্টশিংগা তানরগা কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা শেমখিবনি। মসিদা কনাগুম্বা মহৈরোয় নৎত্রগা মখোয়গী গজিয়ানশিংনা মার্কিং এসেসমেন্ট সিষ্টম অসিবু য়ানীংদ্রবদি এগজামিনেসন অসি হকথেংননা এপিয়র তৌনবগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা ঙসি ক্লাস ত্বেলভকী রিজল্ট লাউথোকপা অদুদা কম্মিস্নর এম হরেকৃষ্ণ (হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন), দিরেক্টর এদ্যুকেসন (এস) এল নন্দকুমার, কোসেমগী চ্যেরমেন ডা. এল মহেন্দ্রসু মথংশিংনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা কোসেমগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন, মেম্বর অমসুং ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

ভেক্সিনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচএনএস):

কুম্বী এ সীগী মনুং চনবা ৱাঙু তেরাখোং গ্রাম পঞ্চায়তকী মনুংদা লৈবা লৈশেম্বা শঙলেন ৱাঙু সাবলদা কোভিদ টাস্ক ফোর্স ৱাঙু তেরাখোং গ্রাম পঞ্চায়ত, পি ঐচ সী কুম্বী পূন্না খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাঙু বোরায়াংবী জিল্লা পরিষদ মেম্বর মোইরাংময়ূম ব্রোজেন, জি পিগী প্রধাণ পোৎশংবম বালেশ্বরনা অথোইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। প্রধাণ পোৎশংবম বালেশ্বরসু ঙসি থৌরমদুদা কোভিদ ভেক্সিন অনীশুবা দোজ কাপ্তুনা পূন্না মীওই ৫০০ রোম ভেক্সিন কাপখি।

লোকেননা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরে...

লামায় ১গী মখা... ভৱনদা মহাকপু এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাস, সী এল পিগী লীদর ওক্রম ইবোবী, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, এল এম এলশিং অমদি এম পি সী সীগী থৌপুবশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

এম পি সী সীগী নৌনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরবা এন লোকেননা ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা ঐহাকপু হাপ্পীরকপা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা মতমসিদা পার্টি অসিগী নেসনল লীদরশিংনা শিন্নবীরিবা থৌদাংশিং অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লনবা হোৎনগনি। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা চাওনা মায় পাক্তুনা কোংগ্রেস লৈঙাক অমুক হলহল্লক্লবা হোৎনবদা পার্টি অসিগী সিনিয়র লীদরশিং, থৌ পুবশিং অমদি ৱর্করশিংগা তানদুনা থবক পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাসনা ফোঙদোকখিবদা, গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা নুমিৎ ৭নিরোম হাঙদুনা লৈরক্লবা ফম অসি মেনশিল্লদুনা টর্ম ৫রক মায় পাল্লকপদা নত্তনা এম পি সী সীগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এন লোকেনবু কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লকপনি।

নৌনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরবা এন লোকেনগী লীচিং মখাদা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা চাওনা মায় পাল্লনবা থবক থৌরম কয়া মহাক্না শোয়দনা লৌখৎলগনি। মহাক ঙসিদগী থবক পায়বা হৌখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোককী প্রসিদেন্টশিংসু উনদুনা পার্টি অসিগী থবক থৌরম কয়া য়াথোকপা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। এন লোকেনবু তরাম্না ওকখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এশিংগী মনুংদা কে রঞ্জিৎ, টিঐচ লোকেশ্বর, দা. চালতোলিয়ন অমো, টি এন হাওকিপ অমদি এম পি সী সীগী থৌ পুবা কয়াসু য়াওখি।

টি ঐচ মুইভা হোস্পিটালাইজ...

লামায় ১গী মখা... লায়ওং উৎলকপদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম দিমাপুরদা লৈবা রিফরেল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা এদমিট তৌখিবনি। হোস্পিটাল অসিদা মহাকপু এদমিট তৌরবা মতুংদা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম হেন্না শোকচিল্লকপদগী রিফরেল হোস্পিটাল অসিগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) দা অমুক এদমিট তৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, দিমাপুরদা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা কোর কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা ৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। অদুবু লালহৌলূপসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা টি ঐচ মুইভাদি কোভিদ পোজিটিভ ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বসিদি ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অমরোমদা, এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা কয়াসু রিফরেল হোস্পিটালদা লাক্তুনা মুইভাগী হকচাংগী ফীভমগী মতাংদা চেকশিন্না শেন্নখ্রে। অদুমকপু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদদি য়াম্না অরুবা ফীভমদি ওইদ্রি হায়না এন এস সী এন-আই এমগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকই হায়না পাঊজী লিখুন অমনসু হায়রি।

মথংগী ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড ফংনবা হোৎনহনখিগনি ...

লামায় ১গী মখা... লৌরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা ইমুং-মনুংনসু অমদি লৈবাক মীয়াম্নসু থমখি। মিরাবাই মশামক্কীসু গোল্ড লৌবা হায়বসি মহাক্কী পান্দম ওইখি। অদুবু শান্নবা হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে। মহাক্কী অৰেবা থৌনা-পাঙ্গল পুথোক্তুনা গোল্ড লৌনবদি হোৎনখি। গোল্ড মেদল মক লৌবা ঙমখিদ্রবসু মিরাবাইনা সিলভর মেদল লৌরকপা অসি তশেংনা য়াম্না নুংঙাইবা, চাওথোকচবা ফাওই। লোয়ননা ইচা পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়বদুমক হায়বা য়ারে হায়না খল্লি।

মিরাবাইগী ৱেথলিফটিং মশান্নদা শান্নবা হৌরকখিবদগী ঙসি ওলিম্পিকতা সিলভর মেদল লৌরকপা ফাওবগী খোঙচৎ অসিদা অৱাবা-খুদোংথীবা কয়া অমসু মায়োক্লখি। অৱাবশিং অদু তম্বগী লোয়বা নাইরোই হায়বা য়াই। মহাক্না শান্নবা হৌরকখিবা মতমদা ইমুং অসিদা লৈঙাক্কী থবক তৌবা শেল থোকপা মীওই অমত্তা য়াওখিদে। ঐহাকসু মতম-মতমগী ওইবা থবকশিং শুবগী মথক্তা লৌউবা মীশক অমনি। লৌগী মতমদা লৌ কুম্বা অমদি চীংদা চৎতুনা শীং য়ানবগী থবক তৌদুনা লাকখি। মিরাবাইগী মমাসু যূমগী অৱা-অনাদা মতেং পাংবা ঙম্নবা হায়দুনা হোটেল মচা অমা ফমদুনা হিংনবা হোৎনরকখি। মরম অদুনা অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। মিরাবাইসু স্কুল চৎনবা হোৎনবা অমদি শান্ননবা হোৎনবগা লোয়ননা মমা-মপাশিংগা লোয়ননা লৌ কুমদুনা হোৎনরকখি। অদুবু মহাক্কী হোৎনজমনগী মহয় অমদি লৈবাক মীয়ামগী মীনুংশিগী থৌজালনা হন্দক্কী ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌবা ঙম্লকখিবনি। মিরাবাই চহী য়ামদ্রি হৌজিক শুপ্পগী চহী ২৬ শুবদা ঙাইরি। মথংগী ওলিম্পিক্সতসু শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল লৌনবা হোৎনহনগনি। মহাক্না পাল্লিবা অমদি থল্লিবা পান্দম য়ৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা মমা-মপা অমা ওইনা মতম পূম্নমক্তা হোৎনগনি হায়না অপোকপা সাইখোম কৃতিনা ফোঙদোরকখি।

মিরাবাইগী অপোকপী সাইখোম ওংবি তোম্বী (৫৮)না ফোঙদোরকখিবদা ইচানুপী খ্বাইদগী অতোনবী মিরাবাইনা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা সিলভর মেদল অমা লৌরকপা অসি ৱাখল য়াম্না নুংঙাই। গোল্ড লৌরক্লম্লগদি অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইগদবনি। অদুমকপু লৈবাক অসিগী মায় পুরক্তুনা সিলভর মেদল অমা লৌরকপা অসি মমা অমা ওইনা থাগৎলি। লন্নাই এ সী অসিগী ওইনসু য়াম্না চাওথোকচৈ। লোয়ননা লম্বী-থোং ফৎত্রবা খুঙ্গং ওইবা মফম অসিদগী হৌখ্রগা মহাক্না মালেমগী থাক্তা শান্নদুনা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা অমদি চাওথোকচবা ফাওই। লমদম অসিগী লৈরিবা শান্নরোই খুদিংমক্লসু মানা-মানা শান্নরিবা মশান্না অদুদা মিরাবাইগুম্না অখাঙ কনবা অমগা লোয়ননা হোৎনহন্নিংই। লোয়ননা লমদম অসিগী মমা-মপাশিংনসু মচাশিংবু থৌনা য়াম্না হাপহন্নিংই।

মিরাবাইনা অহানবা শান্নবা হৌরকপদা ইচা তরুক য়োক্লবা হোৎনবদা লৌবুক্তা চৎতুনা লৌ কুমদুনা অমদি হোটেল ফমদুনা হোৎনরকখি। নোংপোক ককচিংদগী ইম্ফাল তম্না শান্নবা চৎপা মতমদা শুপ্পগী লুপা ৫/৫ খক পীবা ঙমখি। মদুদা মমা অমা ওইনা য়াম্না পেনখিদে, অদুবু পাম্বৈদি করিমত্তা লৈখিদে। মহাক্না থৱায় য়াওনা শান্নবা চৎপা অদুদা ইথম মোইরাংপুরেল চৎপা বসশিংনসু অতোংমল ফাওবা বসকী দ্রাইভরশিংনা লৌবিখিদে। ইম্ফালদা শান্নরুবগা হল্লকপদা গাড়ি ফংদদনা মখোঙনা হল্লকপা অমদি নুঙলৈঙোই পেকপা লাকপা টাটাদা তোংদুনা হল্লকখিবা কয়া অমসু য়াওখি। লাইরিক তম্বদসু থৱায় য়াম্না য়াওখি। গ্রেজ্যুএসন ফাওবদি লোইশিনখ্রে। মহাক্না ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌরকপা ঙম্বা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু সাইখোম মিরাবাইগী অপোকপী মমানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক পুৱারীদা সিলভর...

লামায় ১গী মখা... কিলোগ্রাম ৮৮ ওইরিবনি। ঙসি মহাক স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৭ থাঙ্গৎখি। অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা মহাক মশামক্না থমখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দগী ওইবা অরূম্বা কিলোগ্রাম ১১৯ অদু য়ৌদ্রবসু কিলোগ্রাম ১১৫ থাঙ্গৎপা ঙম্লবা মতুং চাইনাগী ৱেথলিফটর অদুনা ঙমখিবা কিলোগ্রাম ১১৬ অদুদগী অমা হেনগৎলগা ১১৭ থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা ঙমখিদবদগী সিলভর মেদল অদু ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিরাবাইগী পর্ফোর্মেন্স অদুদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্ভ অসিগী কম্পিটিসন হৌদোকপা নুমীৎতা মেদল ফংলকপা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মহাক্না অহানবা ওইরিবনি। মসিগীদমক্তা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা অচৌবা থৌনা অমা পীরে হায়খি। মণিপুরগী গভর্ণর নাজমা হেপতুলানসু নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা হকথেংননা শানখিবা ৱারীদা মিরাবাই চনুনা হৌজিক রেলৱেজদা তৌরিবা থবক অদুদগী হেন্না চাওখৎপা থবক অমা মহাক্না মণিপুরদা লাক্লবা মতমদা সর্প্রাইজ ওইনা পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিংগী পুৱারীদা কুমজা ২০০০দা কর্নম মলেশ্বরীনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কোনুং সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং চহী ২১ লৈরগা সিলভর মেদল ফংদুনা অনৌবা লামায় হাংখিবনি।

মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংখ্রবা মতুং ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্কী কুইনা মঙলক্লবা মঙলান অদু মঙফাওনখি। মহাক্কীদমক্তা শৌগৎপীখিবা ইন্দিয়াগী মশীং য়াম্লবা মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ওইনা অপোকপীবু মহাক্কীদমক্তা কত্থোকপা কয়া অমা লৈখিবা অমদি মঙোন্দা থাজবা থম্বীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মসিদসু নৎতনা মিরাবাইনা লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টস, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন, ৱেথলিফটিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, রেলৱেজ, ওলিম্পিক গোল্ড ক্বেষ্ট, স্পোন্সরশিং অমদি মহাক্কী মার্কেটিং এজেন্সীশিংনা লেপ্পা লৈতনা মতেং পীরকপা অদুবুসু নীংশিংখি। মসিগী মথক্তা মহাক্কী কোচ বিজয় শর্ম্মাবু অখন্নবা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা সপোর্ট ষ্টাফশিংনা মহাক্না চত্থরকপা ট্রেনিংশিংদা পীখিবা মতেংশিং অদুবুসু নীংশিংলকখি। ৱেথলিফটিং ফ্রেটর্নিটি অমদি ইন্দিয়াগী মীয়ামবুসু মহাক্না অমুক্কা হন্না থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুর, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি হান্নগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু য়াওনা মকোক থোংবা ইন্দিয়াগী মীওই কয়ানা মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা মেদল ফংলকপা অদুদা হরাউবা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী মমাংদা ওলিম্পিককী ইন্দিভিজ্যুএলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেদল ফংখিবা শুটর অভিনা বিন্দ্রানা মিরাবাই চনুনা ঙসি ফংখিবা সিলভর মেদল অদু ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিট অমনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহ অমদি টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননসু মিরাবাইনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ উৱোং পুরকপা ঙমখিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৯৮৯দা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টরদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা ইহান হান্না নুপী ৱেথলিফটর ওইখিবী নামৈরাকপম কুঞ্জরানীনসু সাইখোম মিরাবাইগী হোৎনবা কনবা অমদি অখাঙ কনবা অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা ৱেথলিফটিংগী কোচ ওইখিবী অনিতা চনুনসু মিরাবাইগী ঙসি উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুবু য়াম্না থাগৎপা অমদি হরাউবা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী ফ্রেটর্নিটিগী মনুংদগী ক্রিকেটকী মমিং লৈরবা সচিন টেন্দুলকর অমদি হৌজিক-হৌজিক স্রি লঙ্কাদা শান্নরিবা মশান্না অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা সিখর ধৱনগী মায়কৈদগী মিরাবাইনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ওলিম্পিক মেদল ফংলকপা অদুদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা বি সী সী আইগী মায়কৈদগীসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফিল্মগী লম্দা লৈরিবা বোলিৱুদকী মায়কৈদগীসু শান্নরোয় অসিনা মায় পাল্লকপদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী ওইনা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ওলিম্পিককী সিলভর মেদল ফংলকপা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোরকপশিংগী মনুংদা মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎ য়াওরি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মতিক-মগুণ অদু মিরাবাইনা নৌহৌননা অমুক হন্না মশক থোক্লা উখোকপা ঙম্লে হায়খি। ৱেথলিফটর মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ৱেটলিফটিং মশান্নগী নুপীগী কেজি ৪৯গী কেটেগোরিদা সিলভর মেদল ফংলকপদা সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমসুং সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম্নসু কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু মিরাবাইনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা মেদল ফংলকপা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। বি জে পি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগীসু নোংপোক ককচীং লাই মনিংদগী হৌখিবী মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল ফংলকপদা হরাউবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ূমদা চৎতুনা অপোকপা অমসুং অপোকপী উনদুনা হরাউবা ফোঙদোরকখি। সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কিলোগ্রাম ৪৯গী ৱেথলিফটিংগী নুপীগী কম্পিটিসনদা সিলভর মেদল ফংলকপদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস)গী মায়কৈদগীসু মিরাবাইনা মিংচৎ পুরকপদা হরাউবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু মণিপুর লৈঙাক্না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী থাক্তগী হন্থদবা পোষ্ট অমা পীবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি। কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইনিদয়াগী মায়কৈদগীসু সাইখোম মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিট ১২৭কী মনুংদা অহানবা ওইনা সিলভর মেদল ফংদুনা লৈবাক অসিগী একাউন্ট হাংদোকখিবা অদুদা হরাউবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা শান্নরোয় অসিগীদমক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সুনিল এলাংবম, সেক্রেটরি জেনরেল (মণিপুর ৱেটলিফটিং এসোসিএসন, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন) না হায়, তশেংনা টোকিও ওলিম্পিকতা সাইখোম মিরাবাইনা সিলভর মেদল লৌরকপা অসি য়াম্না নুংঙাই। ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবা ক্বালিফাই ওইরে তাবদা নুংঙাইখিবা অদুদগী অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা হায়বদু ওই। মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু মিরাবাইবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কীদমক্তা মতিক চাবা লৈঙাক্কী ফম অমসু পীহন্নিংই। লৈবাক মীয়াম্নসু গোল্ড মেদল ফংলক্কনি অমদি মিরাবাই মশামক্লসু গোল্ড লৌগনি হায়বগী থাজবা থমখি। অদুবু শান্নবা হায়বসিদি নুমীৎ-নুমীৎনসু খরা পুই হায়বদুনি। ওলিম্পিকতা শরুক য়াগদবশিংগী ফাইনেল এন্ট্রিদা ২১০ স্কোর য়াম্না ৱাংনা ফংখি। মরম অদুনা গোল্ড লৌরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবসু লৈখি। অদুবু মথংগী কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরিস ওলিম্পিকতা গোল্ড লৌবা ঙম্নবা ঐখোয় পূম্নমক্না পুক্লিং থৌগৎমিন্নসি।

রাইটস ওফ ৱিমেন...

লামায় ১গী মখা... য়াখি। প্রোগ্রাম অসি দি এল এস এ চান্দেলগী রিটেন্নর লোয়র ওইরিবা কে ঐচ জেক্কি লুসিনা শরুক য়াখিবশিংবু তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীদুনা হৌদোকখি। অদুগা মোরেগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস অর্শদ সয়িদ শাহনা প্রোগ্রাম অসিগী কি নোট এদ্রেস পীখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা খুন্নাই অসিদা নুপীশিংবু ইকোনোমিকেল্লি অমসুং পোলিটিকেল্লি মাঙজিল থাহন্নবগীদমক রাইটস ওফ ৱিমেনবু অখন্ননা প্রোটেক্সন পীগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা নুপীশিংগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং পোলিসিশিংগী মতাংদসু শুগাইনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিগী রিছোর্স পর্সন ওইখিবী ব্রহ্মচারিময়ূম সুপ্রিয়া, এদভোকেটনা নুপীশিংগী তোঙান তোঙানবা হকশিংগী মনুং চন্না রাইট টু বর্থ, রাইট টু এদ্যুকেসন অমসুং রাইট টু ইক্বেল সেল্লরি হায়বনচিংবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। হায়রিবা রাইটশিং অসি নুপীশিংগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক মতৌ করম্না অমসুং করিগীদমক্তা শেম্বনো হায়বগী মতাংদসু পনখি।

নুপী অমবু ফাবা-পুনবগী মতাংদা লৈরিবা প্রোসিজরগী রাইটকী মতাংদসু ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা নুপী অমবু নুমিৎ চঙখ্রবা মতুং নুমিদাংদা ফাগে হায়বা তারগদি মতমদুদা ফর্ষ্ট ক্লাস মেজিষ্ট্রেট অমদগী ওর্দর অমা য়াওগদবনি হায়খি।

দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্টকী মখাদা প্রোটেক্সন ওফ ৱিমেনগী মরু ওইবশিং অমসুং মসিবু করিগীদমক্তা শেমখিবনো হায়বগী মতাংদসু মরীক চুম্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা ঐচ আই ভি/এইদসকা লোয়ননা হিংলিবা নুপীশিংবু হেন্না মথৌনা হাপ্পগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মখোয়বু সোসাইটি অসিদা থাক মান্ননা থম্বা ঙমগনি হায়খি।

লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিগী টোপিক্কী মতাংদা রিছোর্স পর্সনননা ৱা ঙাঙলবা মতুংদা চত্থখিবা দিস্কসন অৱারদা নুপীশিংবু মপুরোইবনা নৎত্রগা মপুরোইবগী ইমুংগী মীওইশিংনা তাথী-তাওইনা তৌবীবা অমসুং ইমুংগী মীওইশিংনা ঐচ আই ভি/এইদস পোজিটভ ওইরবা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপা-নুপীনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু খন্নখি। লোয়ননা পূম্নমক অসি লিগেল সর্ভিস ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা লিগেল এইদস ক্লিনিকশিংগী খূত্থাংদা লাকশিনবা ঙম্নবগী মতাংদসু খন্নখি। ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুগী লোইশিল্লকপদা পেনেল এদভোকেট কে কোফমনা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) বিষ্ণুপুরনা মসলসাগী মখাদা নোংমগী ওইবা ওনলাইন এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। জিটসি মীট এপ্লিকেসনগী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিগী টোপিকনা ‘চেলেঞ্জেস ইন সিক্যুরিং রাইট টু ফুদ অন্দর দি নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট, ২০১৩ অমসুং পি এম জি কে এ ৱাই স্কিম’ হায়বসিনি।

প্রোগ্রাম অসিদা পি এম ভিশিং অমসুং দি এল এস এ অসিগী পেনেল লোয়রশিংনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অদুদা বিষ্ণুপুরগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস কম সিভিল জজ (জুনিয়র দিভিজন) মার্গরেট নিয়াংসিয়াম কিম, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল এস এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ৱাইখোম তোনেন মৈতৈসু শরুক য়াখি। হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিগী মেম্বর ৱাহেংবম জয়কুমারনা টোপিক অসিগী মরমদা রিছোর্স পর্সন ওইদুনা ৱা ঙাঙখি।

প্রোগ্রাম অসি লোইশিল্লকপদা দি এল এস এ, বিষ্ণুপুরগী চ্যেরমেন অমসুং রিছোর্স পর্সন অমদি প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মরক্তা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

অনৌবা কেস ১১৯৮ থেংনরে, ১৪...

লামায় ১গী মখা... রিকোভর তৌখ্রবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ৭৯,৭৪৪ (মীচম মীয়াম - ৭৫,৮৪৭, সী এ পি এফ - ৩,৮৯৭) নি। অদুগা হৌজিক লৈরিবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীংনা ১০,২৫১ (মীচম মীয়াম - ১০,১৯১ অমসুং সী এ পি এফ - ৬০) নি হায়রি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৭.১৯দা লৈরি হায়রি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ-১,৬৭৭ অমসুং বি টাইপ-৩৬৮নি হায়রি।

কাঙলূপ নাইবগী ৱাখল্লোন লৈজদে...

লামায় ১গী মখা... শিন্নখিবা লৈরিবনি হায়রি। লন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন্দগী মীওই খরনা মান্নরগা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অদু থোকখিবা নত্তে হায়না মীয়ামগী মফমদা ফোঙদোরক্লি অমদি লৈশাংথেমগী মীয়াম্না কাঙলূপ নাইবগী ৱাখল্লোন লৈজদে হায়নসু মীয়ামদা ‘লৈশাংথেম মীয়ামগী ওইবা ৱারোল’ হায়বসিগী মখাদা লৈশাংথেমগী তোঙান তোঙানবা ক্লব মরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই...

লামায় ১গী মখা... হায়বা অমসু লৈরি। অসিগুম্লবা থবক অসি চত্থরকপা তারবদি লো অমসুং কোর্ট অমদি হোম দিপার্টমেন্ট লৈবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা। শঙ্গ-পঙ্গ লৈজদবা, শেল পায়দবা অশোনবা মীয়াম কয়া অমদি তম্বা ঙমদবা পুন্সি অমদা লেনবা তারিব্রা। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়বগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা হংলক্লি।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা হফিজ রিয়াসদ হায়রিবা মীশক অসি ইস্লাম লাইনীংগী হফিজ লোইরবা মীশক অমনি, লুহোংগদবসু কুইদ্রবনি। অসিগুম্বা মীহাৎ অসি মণিপুরদা হন্দক্কীসিনা অহানবা নত্তে, মমাঙদসু কয়ারক থোকখ্রে। থোক্লক্লরোই হায়বসু ঙমদে। অদু ওইবা তারবদি মতুং অসিগুম্বসি থোরক্তনবা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎকদগে । অসিগুম্বা থৌদোক অসি মণিপুরগী লৈমায়দা তৌবা য়াদে হায়বা খঙহন্নবা লৈঙাক্না পোলিসি অমা শেম্বীয়ু।

লোয়ননা খূৎ চল্লবা মতুংদা মী অমবু হেক্তা ফূবা, চৈবা, ওৎপা-নৈবা য়াদে হায়বসি লোদা ময়েক শেংনা য়াওরবনি। মরাল লৈরম্লবসু লো কোর্টনা ৱায়েল চত্থরবা মতুংদা ফংফম থোকপা চৈরাক মশানা ফংজগদবনি। অদুগা করিগুম্বা ঐখোয়না লাল্লি, চুম্মী খঙদ্রিঙৈদা মী অমবু হাৎপা, ফূবা তৌবা হায়বসি এ এম এম দি সী-হেদ ক্বার্টরনা অকনবা মওংদা য়ানীংদে হায়রি।

মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবদা ঙসিগী লৈঙাক্না ইনভেষ্টিগেসন তৌবীদুনা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌবীয়ু। করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা থৌওই ৱাওইদনা লৈথোকপা তারবদি এ এম এম দি সীনা তরাইনা লৈথোক্লোই। লোয়ননা কম্মিটি অসিনা শাফোংলকপদগী ঙসি ফাওবদা লমদম অসিদা লৈরিবা হুরান চিন্থি তৌবা অমদি দ্রগ য়োনবা, চাবশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাক্লি হায়বগা লোয়ননা মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক কম্মিটি অসিনা অমদি মসিগী য়ুনিট-য়ুনিটকী থৌমী খুদিংমক্না অঙম্বা থাক্তা শৌগৎকনি হায়রি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
NACO

HL-B/7016/2-31july